# ওকনাওশিংদা লৌবীগদৌবা চেকশিন থৌরাংশিং

– ডা. সরাংথেম জেসমারানি –

পোকপদগী নুমিৎ ৭নি ফাওবদি ওক্লাওশিংসি শিবগী চাং য়াম্না ৱাংই। শেন্দাল লন্বী অমা ওইনা ঐখোয়গী লমদমসিদা অয়াম্বনা ওক লোয়নরি। ওক য়োকপা ফনা হৈরগসু পোকপদা ঙাইরিবা ওক্লাও য়োকপসি কয়া খুৎলোয়দবনিনা শিবগী চাং য়াম্না ৱাংই। অতোপ্পা মরম কয়া অমনা ওক্লাও মশীং য়াম্না পোকপা ওক্লাও পোকপগী মতম শাংনা কান্নবা, পোল্লকপা ওক্লাওগী লূম্বগী চাং মচা পোকপগী মতম, লাবা অমোম খেন্নবা, ওক্লাও থম্নবা মফম, মপীনা নেৎথৎপীবা অমদি ওক্লাও শেন্নবগী মখাসু পোল্লি।

ওক মপুশিংনা চৎনবী অমা ওইনা ওকা মচা হেক পোকপদা মচাশিংদু পোল্লক-পোল্লকপা খুদিংগী মপীনা নন্দনবা থুমোক্তা হাপ্পগা থম্লবা মতুং মচা লোইনা পোল্লগা নাওফম তারবা মতুংদা ওইনা মপীগী খোল্লাং পীথকই। মসিসু নুমিৎ নীনি হুমনিদি থুমোক্তা হাপ্পগা পুথোক পুশিন তৌদুনা মপীগী খোল্লাং পীথক্লে। মসি খক তৌবীরোইদবনি।

ওক মপীনা মচা লৌখ্রবা মতুংদা গর্ভ পুবগী মতমসি থা ৩, হাপ্তা ৩গা নুমিৎ ১৩নি হায়না লায়না পাবা য়াই। তা ৩ গা হাপ্তা ২ গুম্বগদি তুংশিল্লগা লৈবা মপাঙ্গল ইনর্জি হেনগৎহনবা গর্ভ মনুংদা লৈরিঙৈদা মপীগী ঈদা য়াওবা গ্লাইকোজেনগী চাং মতিক চানা হেনগৎনবা হোৎনবগীনি। মসিগীদমক পোক্কদবা নুমিৎ ৭নি ৱাৎলিঙৈদগী হৌনা মপীগী মচিঞ্জাক্তা অফবা মখলগী পোৎলম হায়বদি চোক, চেক্কুপ, চগেম, মোইদা, আটা, চুহীনচিংবা হাপ্পীগনি। মসিনা ওক্লাওগী ঈদা গ্লুকোজগী চাং হেনগৎহন্দুনা হিংবগী চাং য়াম্না হেনগৎহল্লি।

মচা পোক্কদবা হাপ্তা অমমুক ৱাৎলিঙৈদা চাবোক্কদৌরিবা মকোন্দুগী মতাইগী কাচিন অমদা মচা থম্নবা মফম শেম শাবীগনি। হায়রিবা মচা থম্নবগী মফম শেম শাবসি শেল য়াম্না চঙদনা ৱানা নৎত্রগা উনা শাবসু য়াই। নিংথমথাগী অঙীংবদগী ঙাকথোক্লবা অকোইবদু বোরানচিংবনা খাজিল্লগা মনুংদা চরু থাবীদুনা লুম্না থন্বীগনি। ওক্লাও লৈনবা কা মচাসি ওক্লাওনা চঙথোক চঙশিন তৌবদি য়াহনগনি অদুগা মপীনা চঙবদি য়াহল্লোইদবনি। ওক মচা পোকপা মতমদা য়ামদ্রবদা মচা ৪ দগী ১০ ফাওবা পোকই। হায়রিবা মচাশিংসি মরী মরী পোকপদি নত্তে অদুনা ওক্লাও মচা হেক পোকপা মতমদা মাবু মতম পূম্নমক্তা লোয়নদুনা লৈরিবা মপুনা মনাক্তা লৈরগদি য়াম্না ঈংনা তপ্না মচা পোকপা ঙম্মী। অসুম্না মচা অহানবা পোকপগা পাঙথোকপীগদবা থবক থৌরমশিং থমজরি :

১) ওক মচা হেক পোকপগা অনানবা ফী অমনা ওক্লাওগী মনাতোন অমদি মচিন্দা পল্লকপা অনপ্পা মচুম অমসুং কুরাংবানশিংদু তৈথোকপীগনি। করিগুম্বা মতমদা শ্বর হোনবা ঙমদবা তারগদি পাইপ অমা লৌরগা নাতোন মখুন্দগী মহী মনাইদু চীংথোকপীগদবনি অমদি অশেংবা নুংশিৎ মনাতোন মখুন্দুদা কামশিনবীবগা লোয়ননা ওক্লাওদুগী মথবাক্তা খূৎশানা হঙ্গৎ হন্দা নমদুনা প্রেসর পীরগা শ্বর হোলহন্নবা হোৎনবীগনি। অসুম্না মপূং ফানা শ্বর হোন্দ্রিফাওবা হঙ্গৎ হন্দা শান্নবীগনি।

২) শ্বর নিংথিনা হোল্লবা মতুংদা খোইরি ককপীগনি। খোইরি ককপা মতমদা আইওদিন্দা লুপ্প্লবা লংনা মবুক্তগী ইঞ্চি মখায়রোম চথোকপীরগা হায়বদি ইঞ্চি অনীরোম চথরক্লগা অনীশুবা কিশি অমা অমুক কিশিনবীগনি। কিশি অনীগী ময়ায়দা কাটি নৎত্রগা ব্লেদ অমনা খোইরি অদু ককথৎপীরগা ককফম মতোন্দুদা টিনচর আইওদিন তৈবীরগা থন্বীগনি।

৩) ওক্লাওশিং লূম্না থম্নবা হোৎনবীগনি। ওক্লাওশিংদা ফেট মখল অমা এদিপোজ টিস্যু য়াওদবনা মশাগী বোদি টেম্প্রেচর চুম্না থম্বা ঙমদে। মসিগী মথক্তা ওক্লাওদা সবকুইটেন্স ফেট য়াওদবনা ইরায় লায়না য়াম্না থুনা বোদি টেম্প্রেচর হন্থহল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা ঈংবা হেনজিল্লক্তুনা মৈশাগী চাং পুবা ঙম্নবা শক্তি য়াম্না শোনবা মরম্না মপাঙ্গলগী অঙীংবা মৈশানা মশাগী অশাবা মৈশা চুপথোকখিদুনা হান্না লৈজরম্বা ইনর্জি অদু মাঙহল্লি। অসুম্না ঈংমনবদগী শোন্থরবা ওক মচাশিংনা মপীগী খোমজিন মুন্নবনা থকপা ফংদে। মরম অসিনা মচাগী লৈফমদু তঙাইফদনা সেলসিয়স দিগ্রী ২৫-৩০ ফাওবগী মৈশাগী চাংদা থমদুনা মশাগী ইনর্জি মাঙহন্দনবা হোৎনবীগনি।

৪) খোইরি কল্লবা মতুংদা মপীদগী মখোম পীথক্লবা হোৎনবীগনি। মচা পোকপা লোইদ্রিঙৈদা ঙন্না পোল্লিবা মচাদু মখোম পীথকহৌরগদি মপীদা হোর্মোনেল চেঞ্জ অমা লাক্তুনা মচা খাও চপশিল্লক্তুনা য়াম্না থুনা মচা পোকপা লোইশিনবগা লোয়ননা নাওফমসু ঙন্না তারকই। নীংশিংবীগদবা অমনা মখোম পীথকপা মতমদা ওক মপীগী মনুংদা লৈরিবা খোমজিন পরেংদু পন্দনবা মখাদা ফি অমা থাবীদুনা মথকলোমদা পুথোকপীগনি।

৫) ওক্লাওশিংনা পোকপদগী পুং ২১ ফাওবগী মনুংদা হঙ্গাম মপাল মচু ওইবা কোলোসত্রম মরাং কায়না য়াওবা খোল্লাংসি পীথকহৌবীগনি। মরমদি পোকপদগী পুং ৪৮গী মতুংদগীদি কোলোসত্রমদা য়াওরিবা এন্টিবোদিশিংদু ওক্লাওশিংনা মশাদা চুপশিনবা ঙম্লরোই। ওক্লাওশিংনা পোকপদগী নুমিৎ ১০নিগী মতুংদগীদি মশাগী এন্টিবোদিজ পুথোকপা ঙম্লগনি। হায়রিবা মরক্কী নুমিৎসিদা কোলোসত্রম ফজনা পীথকহৌদ্রগদি লায়না কয়া লাক্তুনা শাবগী চাং ৱাংহল্লি। অতোপ্পা অমনা মচা পোকপা য়াম্না কান্নরগসু কোলোসত্রম থোকপগী চাং য়াম্না হন্থরক্কনি অমদি কান্নরগসু কোলোসত্রমদা য়ালবা ইমুননোগ্লোবুলিন অসি চাদা ৫০গী চাংদা হন্থরকই।

৬) করিগুম্বদা মপীগী খোমজিন পরেং অনীসি লাপ্পমনবদগী মখোম পীথকপা মতমদা মখা থংবা খোমজিনগী পরেংদু মবুক্লা ননশিনখিবদগী মচাশিংনা মখোম থকপা ঙমদদুনা মচাগী মশীংগা মথক থংবা পরেংগী খোমজিন মশীংগা কোন্নদদুনা চরা হেনবা ওক্লাও য়াওরকই অদুগা মপীগী খোমজিন মশীংদগী পোল্লকপা মচাগী মশীংনা হেনবদগী খোমজিন মুন্নবদা মশাগী ইনর্জি মাঙবদা নত্তনা মখোম থকপা ফংদদুনা চরা হেনবা তোয়না থোকই। মসিগীসু মথক্তা নর্ভস চৎপা ওক মপী খরনা পোল্লকপা মচাশিংবু মখোম পীথক্তবদা নত্তনা হাৎতোকপা ফাওবা য়াওই। অসিগুম্বা কয়া লৈবনা ওক্লাওশিংগীদমক্তদি অতোপ্পা মমা অমা মথৌ তাই। মসি ফংদ্রগদি তঙাইফদনা মপীগী নুমিৎ হুমনিগী কোলোসত্রম ফংলবা মতুংদা অতোপ্পা মচিঞ্জাক্লা মহুৎ শিনবীগনি।

৭) ওক্লাওশিংসি পোকপা মতমদা ময়া নীপান হৌরগা পোল্লকই। মথক্তা মরি মখাদা মরি। হায়রিবা ময়াসি য়াম্না তূম্বা মরম্না ওক্লাওনা মপীদগী মখোম থকপা মতমদা মপীগী খোমজিন্দু চীকথৎপদগী মপীনা ফুক ফুক হৌগৎতুনা ওক্লাও ননবগী চাং য়াম্না ৱাংই। মরম অসিনা ওকপুনা ময়া নীপানসি ককথৎপীগনি। ময়া ককপা মতমদা ইরায় লায়না ঐখোয়না য়ূমদা শীজিন্নরিবা নেইল কট্টরনা ককপা য়াই। মসি ককপা মতমদা ওক্লাওগী ময়াদু ময়ায় ওইরপ্না চপ্পীগনি। করিগুম্বা ঈ থোকপা তারবসু লশিংনা নপশিন দুনা ঙাইহাক্তং থন্বীগনি। মসিদা অকায়বা করিসু লৈতে। মতোমতা অদুমক ফজখিনি। চেকশিনবীগদবা অমনা ময়া ককপা মতমদা মখোঙ নাম্মদনা অথৌবা মচি লৈহৌদনবা অমদি য়ারি শোক্তনবা চেকশিনবীগনি।

৯) পোকপদগী নুমিৎ মরিনি শুবদা ওক্লাও খুদিংমক ঈ ৱাৎপগী লায়নাদগী ঙাকথোক্লবা আইরন কাপথোকপীগনি। মসি নুমিৎ ১৪নি শুবদা অমুকসু কাপথোক্কনি। মসি নৎত্রগসু ওক মপীগী মখোম অমদি খোমজিনশিংদা ফেরস সলফেট মিলিগ্রাম ০.৫ ঈশিং অশাবা লিটর ১০দা য়ানশিন্নদুনা শেল্লবা মহীসু নুমিৎ খুদিংগী পোকপা নুমিৎতগী মচা খায়নবা নুমিৎ ফাওবা তৌবীরগদি হায়রিবা ঈ ৱাৎপগী লায়নাসি য়াম্না লায়না কনবা ঙমগনি।

১০) নুমিৎ ২৫নি শুরগদি ওক্লাওশিংদা অফবা মখলগী শজিক অথোৎপা অনৌবা মনা-মশিং ককথৎলগা পীজবা তন্বীগদবনি। অসুম্না নুমিৎ খুদিংগী অশাংবা মনা মশিং মরাং কায়না ফংহন্নবা হোৎনবীগনি।

১১) নুমিৎ ৩০-৪৫ শুরবা মতমদা অঙীং অশাগী ফীভম য়েংলগা মপাশা ওইরোইদবা কাঙবুদি মচা শেমদোকপীবা য়াই। মচা শেন্বা মখল অনী শুই। মখোয়দুদি : ক) কেমিকেল শীজিন্নরগা শেন্বা অমা (খ) লেন্থৎলগা টেষ্টিকল লৌথোকপীবনি।

ক) কেমিকেল শীজিন্নরগা শেন্বীবা : হায়রিবা মওংসিগী মখাদা ওক্লাওবু মচা শেন্বা মতমদা গ্লেসিয়ল এসিটিক এসিদ-মিলিলিটর ১৭, দিষ্টিল ৱাটর - ৮৩ এম এল, পোটাসিয়ম পরমেনগনেট ০.২৫ গ্রামনা পুনশিল্লগা শেন্বা ১০০ এম এলগী ওইবা মহীসি ওক্লাওশিংগী টেষ্টিকলদা এম এল ২/২ কাপ্পীরগা মশা শেমদোকপীবা য়াই। হীদাক কাপ্পবা মতুংদা টেষ্টিকলদু পোমখৎলগা লৈবা থেংনবীগনি। মতুং নুমিৎ ২১দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা টেষ্টিকলগী চাওবগী চাং হন্থদুনা পুম্মাং মাঙখিগনি।

খ) লেন্থৎলগা টেষ্টিকল লৌথোকপা : মসিদি ওক মপুনা নৎত্রগা অহৈবা অমা হেক্তা কৌরগা তৌনৈ। মসি তৌবদা ওক্লাওশিংদা চৈনাখোল ফাওবা মরম্না চাবা থকপদা খুদোংচাহন্দবসু য়াওহল্লি। মরমসিনা মচা শেন্বগী থবক্তদি অহানবগী হীদাক কাপ্পগা শেন্বসিনা হেন্না ফৈ। মরমদি মসি শেল চঙবগী চাং হন্থহল্লি, ওক্লাওশিংদা চৈনাখোল অমত্তা পীদবনা মরম ওইরগা চাবা থকপা করিসু অয়েৎ অপন ওইহন্দে। মসিনা হেন্না খুদোংচাবা হেলহল্লি। অসুম্না ওক্লাওশিংবু পোকপদগী মখোম খায়দ্রিঙৈগী চৈরকসিদা চেকশিন্না শেন্নবীরগদি ওকপুশিংদা কান্নবা পীবা ঙম্বতা নত্তনা লৈবাক খুন্নাইগী শেল থুমগী ফীভম ফগৎহল্লি। ●

# লৈতেংগী ওইবা ঙাশিংগী মচা পুথোকপা

ডোঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ

লৈতেংগী ওইবা ঙাশিং মরু ওইনা মপান লৈবাকশিংদগী পুশিল্লকপা ঙাশিং অসি লমদম অসিদা লৈতেংগী ওইবা ঙাশিংবু য়োকপা মীওইশিংনা য়াম্না পাম্নরি। হায়রিবা ঙাশিং অসি অতোপ্পা ষ্টেটশিং নৎত্রগা মপান লৈবাকশিংদগী পুশিল্লক্তুনা য়োক্লরি। মপান লৈবাকশিংদগী পুশিল্লকপা লৈতেংগী ওইবা ঙাশিং অসিগী মচা পুথোকপগী থৌওং অসি লমদম অসিদা পাঙথোক্লদ্রি। হায়রিবা ঙাশিং অসিগী মচা পুথোকপগী থবক অসি লমদম অসিগী দরকার ওইবা লৈতেংগী ওইবা ঙাশিং অসি মেনখৎপা ঙমগনি।

লমদম অসিদা হান্নদগী লৈজরকপা লৈতেংগী ওইবা ঙাশিং অসিসু মপান লৈবাকশিংদা য়াম্না পাম্নবা মরম্না লমদম অসিগী মহৌশাগী ওইবা ঈশিংশিংদগী ফারগা য়োন্থোকখিবা মরম্না অতাঙবা ঙা কয়া মুৎখিনবগী অচৌবা মরম অমা ওইরক্লি। মরম অদুনা লমদম অসিদা মহৌশাদগী লৈজরকপা ঙাশিং অসিবুসু মচা পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈরি।

ঙা খরা অমদি মতোমতা মরূম কোকচৈ অদুবু ঙা খরা অমদি করিগুম্বা খূৎশেমগী ওইবা থৌওং খরা শীজিন্নদুনা মচা পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈরি। ঙানা মরূম কোকপগী থৌওংগী মতুংইন্না চাওরাক্লা মখল অনী থোক্লা খাইদোকপা য়াই।

ক) Oviparous or egg layers

মরূম ওইনা কোকপা ঙাশিং :- হায়রিবা ঙাশিং অসিদি মরূম ওইনা কোকই অমদি ফর্টিলাইজেসন অসি মপান্দা তৌই। মরূমশিং অসিগী খেন্নবগী মতুংইন্না মখল অনী থোক্লা অমুক খাইদোকপা য়াই হায়বদি অনপ্পা মরূম অমদি নপ্তবা মরূম হায়না খাইদোকপা য়াই। অনপ্পা মরূমশিং অসি করিগুম্বা পোৎশক অমদা নপ্তুনা লৈ। ঙাশিংনা মরূম কোকপগী হৈনবীগী মতুংইন্না মখল মঙা থোক্লা অমুক খাইদোকপা য়াই।

১) Egg scatterers খুদম ওইনা হায়রবদা Zebra danio, Gold Fish
২) Egg burrier খুদম ওইনা হায়রবদা Kitti fish (Panchx)
৩) Egg depositor খুদম ওইনা হায়রবদা Angel, Cat Fish
৪) Mouth broader খুদম ওইনা হায়রবদা তিলাপীয়া (তুংহনবী)
৫) Nest builder খুদম ওইনা হায়রবদা Gourami.

খ) Ovo-viviparous or live bearer হায়রিবা ঙাশিং অসিদি ফর্টিলাইজেসন অসি ঙাগী মশা মনুংদা তৌই অমদি মচা ওইনা পোকই। মচা ওইনা পোকপা ঙা খরা পল্লবদা Molly, Sword Tail, Guppy, Platy অসিনচিংবনি।

মথক্তা পনখ্রিবা ঙা মখলশিং অসিগী মতুংইন্না ঙা খরদি মফম চাবা য়েংদুনা মরূম কোল্লগা মচা ওল্লকই। ঙা খরা অমনা লৈবাক মনুংদা মরূম কোল্লগা মথংগী নোংজু থা লাকপদা মচা ওল্লকই। ঙা খরনা মরূমশিং অদু ময়াদা উমশিন্দুনা থম্লগা মচা ওল্লক্লবা মতুংদা মপান্দা থাদোরকই। করিগুম্বা ঙা খরদি মকোন শেল্লগা মরূমশিং অদু মকোন্দুদা কোকই।

মচা ওইনা পোকপা ঙাশিংগী মচা পুথোকপা অসি ঙা মচা পুথোক্লবগী অরাইবা থৌওং অমনি। মরম অদুনা লৈতেংগী ওইবা ঙা মচা পুথোকপীগে খনবীরবদি মচা ওইনা পোকপা ঙাশিং অসিগী মচা পুথোকপগী থৌওং অসি হান্না পায়খৎপীগদবনি। মচা ওইনা পোকপা লৈতেংগী ওইবা ঙাশিং অসি মপান লৈবাকশিংদগী পুশিল্লকপা ঙানা অয়াম্বনি।

হায়রিবা ঙাশিং অসিগী মচা পুথোক্লবগীদমক পাঙথোকপীগদৌবা থৌওংশিংদি

১) লাবা অমোম মশক খঙদোকপা - হায়রিবা ঙাশিং অসিগী Anal fin হায়বদি ঙাগী মবুক্তা য়াওবা মনিং থংবা মশা অদু পিক্তক তৌরগা শাংদোকপা অমা য়াওগনি। হায়রিবা শরুক অসি Gonopodium কৌই অমদি হায়রিবা শরুক অসি Coupulatory organ ওইনা শীজিন্নৈ। হায়বদি ঙা লাবশিংগী স্পর্ম ট্রান্সফর তৌনবা ওর্গান ওইনা শীজিন্নৈ। হায়রিবা ওর্গান অসি ঙা অমোমশিংদদি য়াওদে। হায়রিবা ঙাশিং অসিগী মচা পোকহন্নবগীদমক ঙা অমোম অহুম অমদি লাবা অমগী কাঙবু শেমদুনা থন্বীগনি অমদি অফবা মচিঞ্জাক খুদম ওইনা হায়রবদা Daphnia/কাং মচা (Mosquito larvae) গুম্বা পীজবীগদবনি। মেটিং লোইরবা মতুংদা ঙা অমোমশিংনা স্পর্মশিং অদু ওভিদক্তৈা থা তরা থম্বা ঙম্মী। মরম অদুনা ঙা মপি অমনা লাবা য়াওদ্রবসু মচা হঞ্জিন হঞ্জিন কোকপা ঙম্মী।

ঙাগী মখল খেন্নবা অমদি ঈশিংগী অঙীং অশা খেন্নবগী মতুংইন্না ঙানা মচা পোকপসি চয়োল অহুমদগী নিপাল রোম চংই। মচা পোকতৌরবা অমোমশিং অসি খন্দোকপীদুনা তোঙানবা টেঙ্ক অমদা থন্বীগদৌবনি। অদুগা মচা পোল্লবা মতুংদা মপীশিং অসি লৌথোকপীগদৌবনি নৎত্রবদি মপী অদুনা মচাশিং অদু চাথোকখিবসু য়াই। নৎত্রগনা নাপী থাবীদুনা ঙা মচাশিং অদু লোৎচনবা মফম ফজনা শেন্বীগদবনি। অসুম্না মচা ওইনা পোকপা লৈতেংগী ওইবা ঙাশিংগী মচা পুথোকপীদুনা শেন্দাল লন্বী ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরি। ●

# লৌফম শেম্বদা হার হাপ্পা অমসুং মসিগী কান্নবশিং

ডা. ৱাইখোম জিতেন

লৌ খোইবা হায়বসি লৌউ-শিংউ শীনফমগা অদুম শাগোন্নদুনা লাক্লবা থৌওং অমা ওইনা লাক্লে। ঙল্লিঙৈ মতমগী মীওইবনা মরূশিং থাননবগীদমক লৈবাক অসি পান্থে অমা শীজিন্নদুনা খোৎখাইবা/তৌখাইবা তৌরকই। হান্না হৌরম্বা পান্থীশিং লোকখ্রবা মতুংদা লৌফম অদুগী লৈবাকশিং অয়াম্বনা য়ৈশিল্লি। মসি মরু ওইনা লৌফম অদু ঈশিং অমুক চন অমুক কংহন তৌবা, নোংগী নোংলিকশিংনা লৈবাক য়ৈশিনবা অমদি পান্থী অদুনা হৌরিঙৈ মতমদা থবক শুরিবা মীওইশিং অমদি তোঙান তোঙানবা খূৎলায়শিং শীজিন্নদুনা চৎথোক চৎশিন তৌবননি। থাগদৌরিবা মরূশিং অদু লায়না হৌবা ঙম্নবগীদমক দরকার লৈবা ঈনিল অমদি নুংশিৎ লৌফমদা য়াওফম থোকই। পঞ্জখ্রিবা ফীভম অসি ফংনবগীদমক লৌফমদা লৈরম্বা নাপী মরূশিং মাঙহনখিনবগীদমক অমদি হান্না হৌরম্বা পান্থীশিংগী মখোক অমদি মরূশিং লৈহাও থুনা ওলহনখিনবগীদমক লৌফম অদু খোইদুনা শেমদবা য়াদে। শেমগদৌরিবা লৌফম অদু হান্ননা লৈহাও নিংথিনা লৈবা থাগদৌরিবা পান্থী অদুনা দরকার লৈবা মচিঞ্জাক খুদিংমক পীবা ঙমদবা ওইরবদি অহেনবা মচিঞ্জাক পীদ্রবসু য়াই। অদুবু অসিগুম্বা ফীভম অসি ওইদদুনা অহেনবা মচিঞ্জাক পীগদবা লৈরবদি লৌফম শেন্বা মতমদা পান্থী অদুনা দরকার লৈবা মচিঞ্জাক্কী অয়াম্বা শরুকশিং শেন্বগী অরোইবা লৌওন খোইদ্রিঙৈগী মমাঙদা হাপ্পীহৌগদবনি।

ঐখোয়গী লৌমী অয়াম্বনা থাগদৌরিবা পান্থীশিং অদুনা খূৎলোল্লবা মতুং নৎত্রগা হুনগদৌরিবা মরূশিংদগী হৌরকপা পান্থীশিংনা মনা পাল্লবা মতমদা পান্থীশিং মচিঞ্জাক পীবগী থৌওং অসি চথে। খুদম ওইনা ফৌ থাবিবা মতমদা ফৌ পান্থীদা হার পীবসি লিংথোক্লবা মতুং নুমিৎ ১০-১৫নিগী মতুংদা হৌই। মসিগী মাঙজবা য়াম্না লৈ। অঙনফৌ থাবীগদবা লৌমীশিংনা ফৌ থানবগীদমক লৌফম শেন্বগী অরোইবা লৌওন খোইদ্রিঙৈগী মমাঙদা দরকার লৈবা সিঙ্গল সুপর ফোসফেটকী অপূনবা শরুক ম্যুরেট ওফ পোটাশকী অপূনবা শরুক্কী অহুম থোকপগী অনী অমদি য়ুরিয়াগী অপূনবা শরুক্কী তঙ্খায় অমদি হান্না চাইশিনবীরগা খোইজিনবদা য়াওশিনবীগদবনি।

লন্না থাবা পান্থীশিংগীদমক পোৎ তাদ্রিঙৈদা কাঙ্খুল কাঙ্খুলদা হার হাপ্পীহৌবা মতমদসু মথক্তা পঞ্জখ্রিবা অসুম্না পান্থী অমনা দরকার লৈগদবা সিঙ্গল সুপর ফোসফেটকী অপূনবা শরুক, ম্যুরেট ওফ পোটাশকী অপূনবা শরুক, ম্যুরেট ওফ পোটাশকী শরুক অহুম থোকপগী অনী অমদি য়ুরিয়াগী অপূনবা শরুক্কী তঙ্খায় অমা হাপ্পীরগা কাঙ্খুল অদুদা লৈরিবা হারশিং অদু য়োৎপাক/কর্নেল অমগী মতেংনা লৈবাকশিং অদুগা নুংথিনা তোৎশিন্নবীগদবনি।

লম শেম্বদা হার হাপহৌবগী কান্নবশিং :-

১) হারশিং অদু পান্থীগী মরানা শন্দোক্তুনা লৈগদবা মফমশিংদা চাং মান্ননা য়েন্থোক্তুনা পান্থীশিংনা লায়না লৌখৎপদা মতেং পাংই।

২) ফোসফরস য়াওবা হার (সিঙ্গল সুপর ফোসফেট) ঙন্না পীবনা পান্থীগী মরূ-মরা মরাং কায়না পুথোকপগা লোয়ননা মচা পোকপা পান্থীশিং (ফৌগুম্বা) না মচা য়াম্না পোকপদা মতেং পাংই।

৩) মরূ মরা ফবা পান্থী ওইরবদি ঐখোয়না পীরিবা পান্থীগী মচিঞ্জাকশিং অদু অরেম্বদা মাঙহন্দনা নীংথিনা শীজিন্নদুনা পোৎথোক হেন্না পুথোকপদা মতেং পাংই।

৪) ফোসফরস য়াওবা হারশিং অসি লৈবাক্তা মফম অমদগী মফম অমদা লাপ্না চৎপা ঙমদে। মরম অদুনা পান্থীগী মরানা লৈগদবা মফম শিন থুংনা হারশিং অদু শন্দোক্তুনা লৈরবদি পান্থীনা লায়না অমদি চাং য়াম্না শীজিন্নদুনা পোথোক হেনগৎহনবদা মতেং পাংই। ফৌ পান্থীগুম্বদা ফোসফরস য়াওবা হারশিং পান্থী হৌখ্রবা মতুং লৈমায়দা চাইবনা হার মখল অসি পান্থীনা য়াম্না শীজিন্নবা ঙমদনা অরেম্বদা মাঙহনবনা হেলহল্লি।

৫) ফোসফরস অমসুং পোটাশ য়াওবা হারশিং অসি লৈবাক্তা তুম্বদা মতম চঙই। মরম অদুনা পান্থীনা দরকার লৈরকপা মতমদগী ফংহনবা ঙম্নবগীদমক ঙল্লিঙৈ মতমদা লৈবাক্তা হাপহৌবসিনা খ্বাইদগী ফৈ। মদু নত্তদুনা থেংনা হার পীরবদি পান্থীগী লোকপগী মতম য়ৌখিবনা হান্দুনা লৈবাক্তা হার লেমদুনা লৈহৌই অমদি অসিগুম্বা অরেম্বা হারশিং অদু নাপীশিংনা শীজিন্নথোকখি নৎত্রগা লৈবাক্তা পান্থীশিংনা অমুক হন্না ফংবা ঙমলোইদবা মওংদা ফাজিন্দুনা থমখি।

৬) পান্থীশিংনা দরকার লৈবা মচিঞ্জাকশিং ঙন্না মতম চানা ফংবসিনা পান্থীশিংবু শাহৌ ফহন্দুনা থুনা মপূং মরৈ ফাহল্লি। অমরোমদা অমুক ফোসফরস য়াওবা হার মতম চানা চাং চানা পীবনা পান্থী লোকপা য়াবগী মতম তেনশিলহল্লি। অঙন ফৌ অমদি কুম থেংলবা মতমদা থাবা ফৌশিংগীদমক ফোসফরস য়াওবা হার দরকার লৈবা চাংদগী চাদা ১০-১৫ হেন্না চাসবদা কান্নবা ফংই।

৭) পান্থীশিংদা দরকার লৈবা মচিঞ্জাকশিং চাং চানা মতম চানা ফংহনবনা পান্থীশিংবু শাহৌ ফহন্দুনা লায়না তীলনা তাগদবদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই।

৮) নাইট্রোজেন য়াওবা য়ুরিয়াগুম্বা হারশিং লৈবাক/লৈনাংগা তোৎশিন্নরগা হাপ্লসিনা হার মখল অসি অশাবা মৈশাদা মনিল ওন্দুনা মাঙগদবা অমদি ঈশিংদা তুম্লগা ঈচেলদা চেন্থখিগদবা অমদি লৈনুংদা চঙখিদুনা মাঙগদবদগী কনবা ঙমই। ফৌগুম্বা থাবা লৌফমদা য়ুরিয়া অসি লৈমায়দা চাং ৱাংনা হায়বদি লৌ শঙম অমদা য়ুরিয়া কেজি ১০-১৫দগী হেন্না চাইরবদি য়ুরিয়াগী শরুক খরা মনিল ওইনা মাঙখিদুনা পান্থীশিংনা শীজিন্নবা ফংহৌদনা মাঙহনখি।

লৌউ-শিংউগী অহেনবা পোথোক পুথোকপা ঙম্নবগীদমক অমদি চাইগদৌরিবা হারশিং অদুগী কান্নবা চাং ৱাংনা ফংনবগীদমক অমদি অরেম্বদা মাঙখিবা হারশিংনা ঐখোয়গী অকোয়বদা ঈচেল হনবগী চাং হন্থহনবগা লোয়ননা লৌফমদা হার হন্থনা শীজিন্নবা য়াদুনা পোৎ থাবদা চঙগদবা শেল হন্থহন্নবগীদমক লৌফম শেম্বদা হার হাপহৌবা কাউবীরগনু। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬০

১) **“মমল”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমদি কনানা ইবনো?
২) **“থম্মোয়গী মখোল অমা”** মমিং থোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৩) **“...উখ্রুলদগী হাইদোক্তুনা লম য়েংবা চৎনীংই, তাঞ্জা ফংদে। মরক মরক্তা য়াম্না তাঙনা ফংই। হায় কান্নদনা নুংঙাই। মরুপ-মপাং য়ামদে, য়াম্নসু খঙননীংদে। খরা খঙনৈ, খরা তিন্নৈ। নুংঙাই, পঙনুংতা নুংঙাই।”** ৱাহৈ পরেংশিং অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী মমিং লৈরবা লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক “ৱাহৈ খরদং” হায়বদুদা ইবনি। অইবা কনাগী করি লাইরিক্কী ৱাহৌদোক্লো?
৪) **“পোপকী মনাওনুপা অমসুং মিকী মূকী”** হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী ওরিজিনেল লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরী ট্রান্সলেসন তৌবগে?
৫) **“অদুবু,/কোকশিল্লক্লবা উমংশিংসিগী ফল ওইনা,/লৈকংলা ওইরক্লবদা মালেমসিনা,/নঙগীসু লৈফম লৈরক্লরোই,/মহৌশাগী খলনা কায়থরক্লবদা,/অতিয়াগী কুয়োম্না মাঙখ্রবদা।”** শৈরেং মতেক অসি অইবা কনাগী করি লাইরিক্কী করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।